RESOLUTION PASSED BY THE
MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY ON 24th MARCH, 1983

***

"মণিপুরদা হৌখিবা চহি খরদা মীশি-মীনা অমদি মীফা-মীপুনগী থৌদোক মশিং খংদনা থোকখ্রে। মরক-মরক্তা ঙসিসু অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদু থোক্লি। ফিভমশিং অসিদগী ওইরকপা খুদোংথিবশিং অদুগী অৱাবনা প্রজানা খাংলি। অমরোমদা মরান লৈত্রবা প্রজা নহারোল অমদি সিকুরিটিগী মীওই কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাংখ্রবনি; অদু মীয়াম্না ময়েক শেংনা খংলবনি। অসুম তৌনা পুন্সিগী মমল য়াওরক্রে অমদি নোংমা-নোংমগী মমল হনথরকপা অদু মীয়াম্না উরক্লি। পুম্নমকসি হিংসাদগী থোরকপনি অমদি হিংসাতনা থোকহনবনি।

মীওইবগী য়াইফ-নুংঙাই পুরকনবা অমদি অহোংবা চাওখৎ-লম্বীদা খুমাং চাওশিন্নবগীদমক গনতনত্রিক ওইবা উপাইগী তঙাইফদবদু ঙসিগী হাউসনা ফাওই। ঙসিগী হাউস অসিনা হিংশা অমদি হিংশাগী থবক কয়াবু নিন্দা তৌরি অমদি মণিপুরগী নহারোলশিংবু গনতনত্রগী লম্বীদা মীয়ামগা চৎমিন্নদুনা গনতনত্রগী ফংফম থোকপা পান্দম অদু ফংনবা হোৎনবদা শরুক য়ারনবসু অপিল তৌরি"।

-Imphal-
The 24th March, 1983.

Y. YAIMA SINGH
SPEAKER,
MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY